এসিয়ন কপ ২০২২ য়ূম্বু ওইবনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংদা অচৌবা থৌনা পীগনি : বালা

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৩ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ফুটবোলগী পুৰারীদা অহানবা নুপী ফুটবোল শান্নরোয় অমা ওইনা য়ুরোপিয়ন প্রোফেসনেল ফুটবোল লীগতা শান্নবা ঙমখ্রবী মণিপুর মচা ঙাঙোম বালানা ফোঙদোকখিবদা কুমজা ২০২২দা ইন্দিয়ানা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী মখাদা পাঙথোকপা এসিয়ন কপ ৱিমেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্টকী য়ূম্বু ওইগদৌরিবা অসিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা নুপী ফুটবোল শান্নরোয়শিংদা অচৌবা থৌনা অমা পীরগনি হায়খ্রে।

ঙাঙোম বালা হৌজিক হৌজিক স্কোটলেন্দগী গ্লাসগো সিটিদা মহাক্না শরুক য়ারিবা রেঞ্জরস এফ সী ফুটবোল টিমগী হোম গ্রাউন্দদা লৈদুনা স্কোটিস প্রেমিয়র লীগ শান্নবা মখা তানা কোভিদ-১৯ লোকদাউননা মরম ওইরগা য়াদনা লৈরিঙৈ মনুং অসিদা মশা ফিট ওইননবা অতোপ্পা শান্নরোয়শিং য়াওদনা ত্রেনিং তৌবা অমদি মনাক নকপা মফমশিংদা জোগিং তৌদুনা লীগ টুর্নামেন্ট অদু হেক হৌরকপগা শেম শাবা অদু মপূং ফাহন্নবা হোৎনরি।

ঙাঙোম বালানা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্দা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না হৌজিক হৌজিক্কী ওইনদি মহাক্কী মায়কৈদগী রেঞ্জরস এফ সীগী ওইনা মেচ অমত্তা শান্নবা য়াদনা লৈবা মরম্না মশা মথন্তা ত্রেনিং অমদি শাজেল তৌজবদা নত্তনা অতোপ্পা অহেনবা অমত্তা তৌনীংঙাই লৈতে হায়রক্লি।

মরক অসিদা মহাক্না ইন্দিয়ানা কুমজা ২০২২দা এ এফ সী এসিয়ন কপ ৱিমেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্টকী য়ূম্বু ওইগদৌরিবা অসিনা নৌনা মচিন তুমখৎলক্লিবা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংদা অনৌবা থৌনা কয়া অমা পীরগনি হায়খি।

ইন্দিয়ানা কুমজা ২০১৬তা এ এফ সী য়ু-১৬ মেন্স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ য়ূম্বু ওইবা ঙমখ্রে। মদুগী মখা তারকপদা কুমজা ২০১৭তা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী য়ূম্বুসু মায় পাক্না ওইখ্রবা মতুং চহী অসিদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা য়ু-১৭ ৱিমেন্স ফিফা ৱর্ল্ড কপ কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা অমদি কুমজা ২০২২দা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ন কপ য়ূম্বু ওইগদৌরিবা অসিনা ইন্দিয়াদা ফুটবোলগী লম্দা মমাঙদা লৈরম্বা পুৰারীদগী অনৌবা লামায় কয়া অমা হাপচিনবা ঙম্লগনি হায়খি।

ফুটবোল শান্নরোয় অমা ওইনা মহাক্কী মরমদমদা ৱর্ল্ড কপ নৎত্রগা এসিয়াগী ওইবা টুর্নামেন্ট অমা য়ূম্বু ওইরগা শান্নবা অসি নত্তনা করি হেন্না হংলুগনি হায়না স্কোটলেন্দগী কোনুং গ্লাসগোদগী বালানা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়াগী ওইনা সেনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল টিমগী মায়কৈদগী এসিয়ন কপ ২০২২ য়ূম্বু ওইবা অসিনা খ্বাইদগী চাউবা টুর্নামেন্ট ওইগদৌরি। মহাকসু স্কোটিস প্রেমিয়র লীগ অসিদা মপূং ফানা শরু কয়ারবা মতুং ইন্দিয়াগী নেসনল টিমগীদমক হল্লক্তুনা শান্ননবগী শেম শাদুনা লৈ হায়খি।

ঙাঙোম বালানা মখা তারকপদা কুমজা ২০২১দা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা য়ু-১৭ ৱর্ল্ড কপ্তা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা অফবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙম্নবা থৌনা পীরক্লি।

অর্জেন্টিনাদা নৌনা ‘হ্যুমেন ফুসবোল’ মশান্না শেমগৎখ্রে

পর্গামিনো, জুলাই ০৩ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা মালেমগী মফম খুদিংমক্তা শান্নবগী হীরম অয়াম্বা লোকদাউননা মরম ওইরগা হৌদোকপা য়াদনা লৈরিঙৈ মফম খরদা ভাবক য়াওদনা শান্নবা হৌখ্রবা মতুং ফুটবোল মশান্নগী ওইনা অর্জেন্টিনাদা সোসল দিষ্টেন্সিং থল্লগা লৈবাক অদুগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় দিএগো মরাদোনাগী লমজিং মখাদা হ্যুমেন ফুসবোল (মেটিকো হ্যুমানো) হায়না মীংথোনবা ফুটবোল মশান্না অমা হৌদোকখ্রে।

ফুটবোল মশান্না অসি অর্জেন্টিনাগী কোনুং ব্যুনোস আইরিসতগী কিলোমিটর ২৪০ লাপ্পা লৈবা পর্গামিনো সিটিদা প্লে ফুটবোল ফাইটস স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা মফম অদুগী ক্লব ভেন্দে হ্যুমো এফ সী অমদি লোস মিসমোস দি সিমত্রেগী টিমনা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা হৌদোকখি।

মশান্না অসি টিম অমদা শান্নরোয় ৫/৫না শরুক য়াদুনা রেক্টেঙ্গল ১২ খাক্তুনা শান্নবনি। শান্নরোয় অমনা রেক্টেঙ্গল অমদগী অমা লানশিনবা য়াদবা মওংদা মশান্নবা মশান্না অমা ওইরি। অর্জেন্টিনা লৈবাক্তা ফুটবোল মশান্না অসি লোকদাউননা মরম ওইরগা নুমিৎ ১০০নি হেন্না শান্নরুদ্রবা মতুং অনৌবা হ্যুমেন ফুসবোলনা মশান্না অসিদা পামজবা কয়া অমগী অনৌবা ৱাখল্লোন অমা পীবা ঙম্লে।

ভেন্দে হ্যুমো এফ সীগী শান্নরোয় মার্টিন রোদ্রিগেজনা ফোঙদোরকপদা মতম কুইনা ফিল্ডদা থোক্তুনা মশান্না অসি শান্নবা ঙম্লুদ্রবা মতুং অনৌবা ফোর্মেট অসিনা খরমখৈদি শান্নরোয়শিংদা ৱাখল পোথাহনবগী লম্বেল অমা পীবা ঙম্লে হায়খি।

রেক্টেঙ্গল ১২দা লৈরিবা নাকল অনীগী শান্নরোয় মঙানা লাইনগী ৱাংমদা চঙশিনবা য়াদবগী কাঙলোন অমসু লৈরি। মসিনা শান্নরোয় অমগা অমগা নকশিন্নবগী হীরম অদুসু থাপতোক্লা থম্বগা লোয়ননা মখা তানা পাম্না শান্নবা য়াবা মশান্না অমা ওইরগনি হায়না ফোঙদোক্লরক্লি।

কার্লসন্না অনিস গিরিবু ফাইনেলগী অহানবা সেট পোইন্ট ২-১দা মাঙজিল থারি

FINALS
CHESSABLE MASTERS 2020
GM Magnus Carlsen
GM Anish Giri

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৩ (এজেন্সী): ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন গ্রান্দমাষ্টর নোর্ৱেগী মেগনস কার্লসনন্না ঙসি শান্নবা য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ১গী শেলগী মনা লৈবা মশামক্না হৌদোকখিবা ওনলাইন চেছ টুরগী মনুং চনবা চেছেবল মাষ্টরস চেছ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নবা হৌখিবা ফাইনেল মেচতা কার্লসনন্না নেদরলেন্দসকী অনিস গিরিবু অহানবা সেটতা গেম ২-১দা মাঙজিল থাদুনা চৎলি।

নীংশিংবা য়াই, ঙরাং অথেংবদা লোইশিনখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেল মেচতা অনিস গিরিনা রসিয়াগী শান্নরোয় ইয়ান নেপোমনিয়াচিবু সেট ২-১দা মায়থীবা পীরম্বনি। অদুগী মমাঙদা মেগনস কার্লসনন্না চাইনাগী নম্বর ৱান শান্নরোয় গ্রান্দমাষ্টর দিং রিলেনবু সেট ২-০দা মায়থীবা পীখি।

ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা গেম অদু নেদরলেন্দসকী অনিস গিরিনা অঙৌবা মচু পায়দুনা শান্নরকপদা কার্লসনগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মওংদা দিফেন্দ তৌদুনা মুভ ৫৪ শুরকপদা গেম অদু দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ০.৫-০.৫দা মান্নখি।

অনীশুবা গেম অদুদা কার্লসনা অমুক অঙৌবা মচু পায়দুনা এটেক চথুরকপদা অনিস গিরিসু য়াম্না কন্না হোৎনদুনা দিফেন্দ তৌখি। গিরিগী মায়কৈদগী মায় পাকপা য়াবা খোঙথাং খরা শোয়খিবদগী কার্লসনা মখা তানা এটেক হেঞ্জিল্লক্তুনা ৬২শুবা মুভতা গিরিবু মায়থীবা পীদুনা গেম ১.৫-০.৫দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অথেংবদা শান্নখিবা অহুমশুবা গেমদা গিরিনা অমুক হন্না অঙৌবা মচু পায়দুনা শান্নরকখি। মদুদা কার্লসনগী মায়কৈদগী শান্নখিবা মশান্না অদু য়াম্না তেন্সন লৈতনা মুভ খুদিংমক পাউখুম পীরকখি।

৩৭শুবা মুভতা নেদরলেন্দসকী গ্রান্দমাষ্টর অনিস গিরিগী মায়কৈদগী হোৎনবা য়াবা হোৎনরবা মতুং মায় পাকপগী লম্বেল লৈরক্তবদগী ৩৭শুবা মুভতা দ্রো চৎলগা ফাইনেল অসিগী অহানবা সেট অদু মেগনস কার্লসনন্না পোইন্ট ২-১দা মাঙজিল থাদুনা লৈরি। ফাইনেল অসিগী মখা তাবা সেট ঙসি অথেংবদা অমুক লম্বা তৌনগদৌরি।

অতোপ্পা পাউ অমদা ৱর্ল্ড চেছ ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোকপা ৱিমেন্স স্পিদ চেছ চেম্পিয়নশিপ গ্রান্দ প্রীগী অনীশুবা লেগতা রসিয়াগী ভেলেন্টিনা গুনিনা অমসুং য়ুক্রেনগী অনা উসেনিনা লম্বা তৌনরগনি।

ওনলাইন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেলদা য়ুক্রেনগী অনা উসেনিনানা ইরানগী শান্নরোয় এস সরাসরদ খদামারেবু অর্মাগেরন ফোর্মেটতা অকনবা লম্বা থেংনরবা মতুং পোইন্ট ৮-৭তা থোইরগা ফাইনেল য়ৌরকখি।

অমরোমদা রসিয়াগী ভেলেন্টিনা গুনিনানা অতোপ্পা রসিয়াগী শান্নরোয় কেটেরিনা লাদনোবু অনীশুবা সেমীফাইনেলদা ৬.৫-৪.৫দা থোইদুনা থা অসিগী ৫দা ফাইনেল লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

অহুমশুবা পোজিসনগীদমক্তা ইরানগী খাদেমোল সারে অমদি রসিয়াগী কেটেরিনা লাগনোসু নুমিৎ অদুমক্তদা থেংনরগনি।

নীংশিংবা য়াই, টুর অসিগী অহানবা লেগতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় বৈসালি রামবাবু সেমীফাইনেল য়ৌরবা মতুং মায়থীরগা মরিশুবা পোজিসন তাহৌবনি। অনীশুবা লেগ অসিদদি মহাক কার্টর ফাইনেলদগী হেন্না লান্থোকপা ঙমখিদে। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় দ্রোনাভালি হরিকা অনীশুবা লেগ অসিগী অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌখি।

এ এফ সী এসিয়ন কপ ২০২৭ য়ূম্বু ওইনবা ইন্দিয়াসু অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৩ (এজেন্সী): এসিয়াগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা নুপাগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা এ এফ সী এসিয়ন কপ ২০২৭গী য়ূম্বু ওইননবা মেম্বর এসোসিএসন মঙানা মখোয়গী অপাম্বা ফোঙদোকপগী মনুংদা ইন্দিয়াসু য়াওখ্রে।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন, ফুটবোল ফেদরেসন ইস্লামিক রিপব্লিক ওফ ইরান, কটার ফুটবোল এসোসিএসন, সাউদি অরাবিয়াগী ফুটবোল ফেদরেসন অমসুং উজবেকিষ্টান ফুটবোল এসোসিএসন্না কুমজা ২০২৭কী এ এফ সী এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী য়ূম্বু ওইনীংবগী অপাম্বা ফোঙদোরক্লি।

এসিয়া ফুটবোল কনফিদরেসননা মেম্বর এসোসিএসন মঙানা কুমজা ২০২৭ এ এফ সী এসিয়ন কপ য়ূম্বু ওইবা পাম্বগী ফোঙদোরকখিবা ৱাফমশিং অদু ফোঙদোরকখিবনি।

কনফিদরেসন অসিগী মতুংইন্না মেম্বর এসোসিএসন মঙানা চহী অসিগী জুন ৩০ ফাওবগী মনুংদা মখোয়গী অরোইবা ৱারেপশিং অদু থাদোকখিবনি হায়রি।

এ এফ সীগী প্রসিদেন্ট সেখ ইব্রাহিম খালিফানা তোঙান তোঙানবা মেম্বর এসোসিএসন মঙানা কুমজা ২০২৭ এ এফ সী এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী য়ূম্বু ওইনীংবগী ৱাফম ফোঙদোরকপা অদুদা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

এসিয়াগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা মমাঙদা পাঙথোকখিবা এদিসনশিং অদুদগী খ্বাইদগী পাকথোক চাউথোক্না কুমজা ২০১৯দা য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসনা য়ূম্বু ওইখি। মদুগী মতুংদা কুমজা ২০২৩দা চাইনানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোরক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অদুসু হান্না য়ু এ ঈনা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অদুদগী হেন্না ফজবা অমা ওইগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থল্লক্লি।

ইন্দিয়ানা ২০২২দা নুপীগী এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী য়ূম্বু ওইগদৌরিবনি।

অম্ফাগী মখাদা লৈবা ফুটবোল ক্লবশিংগী ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট/ইন্টর ক্লব ত্রান্সফর অমদি লোনগী মতম লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) না ঙসি থোকখিবা মেমোরেন্দম অমগী মতুংইন্না কুমজা ২০২০-২১গী এসোসিএসন অসিগী মখাদা এফিলিএট তৌরবা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিএসনশিং অমসুং ক্লবশিংগী ওইবা ত্রান্সফর অমসুং শান্নরোয় লোনদা লৌবগী তোঙান-তোঙানবা মতম লেপখ্রে।

ঙসি এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জে াতিরমোই রোয়না থাদোরকপা মেমোরেন্দম অসিগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট অমগী ক্লবতা লৈবা শান্নরোয়শিংনা অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট অমদা লৈবা ক্লবশিংদা ত্রান্সফর তৌবা অমসুং লোনদা চৎপগী মতম অদু থা অসিগী ৮দগী ৩১ ফাওবা নুংথিল পুং ১দগীনা ৪ তাবা ফাওবগী মতমদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

অমরোমদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন/দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনশিংগী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট অমদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ফুটবোল ক্লবশিংগী মনুংদা শান্নরোয়শিং ত্রান্সফর অমসুং লোনদা শান্নরোয়শিং লৌথোক লৌশিন তৌবগী মতম অদুনা জুলাই ২১দগী জুলাই ৩১ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়রি।

অম্ফাগী মেমোরেন্দম অসিনা মখা তারদুনা ত্রান্সফর তৌগদৌরিবা অমদি লোনদা চৎকদৌরিবা শান্নরোয়শিংনা অম্ফাগী ওফিসতা ত্রান্সফর এপ্লিকেসন ফোর্মগা লোয়ননা মশা মশাগী পাসপোর্ট ফোটোগ্রাফ অমমম য়াওরগা মশামক লাক্কদবনি হায়রি।

ত্রান্সফর নৎত্রগা লোনগী ফী অসি শান্নরোয় অমগী ওইনা লুপা ২৫০০ ওইগনি হায়নসু মেমোরেন্দম অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী কাঙলোনগী মতুংইন্না এসোসিএসন অসিদা এফিলিএট তৌরবা ক্লবশিংনা মখোয়গী শান্নরোয় অমদি অতোপ্পা ক্লববকী শান্নরোয়শিং লৌবগী খোঙথাং পূম্নমক ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী হান্না লৈরিবা সেন্ত্রেলাইজ রেজিষ্ট্রেসন সিষ্টম (সী আর এস) গী খূত্থাংদা পাঙথোক্কদবনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

সী আর এসকী খূত্থাংদা শান্নরোয় অমনা অতোপ্পা মহাক্না চৎকদৌরিবা অনৌবা ক্লব অদুদা য়াওননবা অমদি লোনদা শান্নবা তারবসু হান্না শান্নরম্বা ক্লবশিং অদুগী মায়কৈদগী নো ওবজেক্সন সর্টিফিকেট য়াওবগা লোয়ননা নৌনা শরুক য়াগদৌরিবা ক্লব অদুগা ইন্নবা কন্ত্রেক্ট পেপর অদুসু য়াওগদবনি হায়রি।

লোন ত্রান্সফরগী ওইনা কন্ত্রেক্ট পেপর অদু শান্নরোয়শিংগী মরক্তা অমদি মখোয়না হান্না শান্নরম্বা ক্লবশিং অমদি নৌনা শান্নগদৌরিবা ক্লবশিং অদুগী মরক্তা মরীক চুন্না খূৎয়েক পীনবা চেসু য়াওগদবনি হায়রি।

করিগুম্বা লোন ত্রান্সফরগী মতাংদা শান্নরোয় অমনা হান্না শান্নরম্বা ক্লব অদুগী মায়কৈদগী নো ওবজেক্সন সর্টিফিকেট পীবা ঙম্লোই হায়রক্লবদি শান্নরোয় অদুনা অম্ফাদা হান্নগী ক্লব অদুনা এন ও সী পীরক্তবগী মতাংদা মরীক চুম্বা ৱারোল য়াওবা অইবা চেরোল ওইনা থারক্কদবনি হায়না ঙসি প্রেসতা পীরকপা অম্ফাগী মেমোরেন্দম অদুদা পল্লি।

এ আই এফ এফনা মমাঙদা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না ক্লবশিং অসিনা অম্ফাগী ওফিসতা ফংলিবা নমথোক্লবা কোন্ত্রেক্ট এগ্রিমেন্ট চেরোলশিং অদু শীজিন্নদুনা সোসল দিষ্টেন্সিং থম্বগা লোয়ননা ফেস মাস্ক উপ্লগা লাক্কদবনি হায়রি।

স্পেনিস ফুটবোল লীগ ২০১৯-২০

রিএল মাদ্রিদনা গেটাফেবু পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা বর্সেলোনাদগী পোইন্ট ৪ হেল্লগা মাঙজিল থাখ্রে

মাদ্রিদ, জুলাই ০৩ (এজেন্সী): স্পেন্দা পাঙথোকপা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লা লীগাগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ৩৩শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা রিএল মাদ্রিদনা গেটাফেবু পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা বর্সেলোনা ফুটবোল ক্লবতগী মখোয়না পোইন্ট ৪ হেল্লগা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাবা ঙমখ্রে।

ঙসি অলফ্রিদো দি ষ্টিফানো ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা লা লীগাগী ৩৩শুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা মমাঙদা পোইন্ট ৭১ ফংলগা বর্সেলোনাদগী পোইন্ট অমা হেন্দুনা লৈখিবা রিএল মাদ্রিদপু পোইন্ট ৫২ ফংদুনা তরুকশুবা পোজিসন্দা লৈরিবা গেটাফেনা অকনবা মওংদা লম্বা পীরকখি।

অহানবা হাফকী মিনট ৪৫গী শান্নবা অদুদা রিএল মাদ্রিদকী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী গেটাফেগী মায়োক্তা পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙমদনা লৈখি। গেটাফেসু ঙসিগী মেচ অদু মায় পাক্লবা পোইন্ট ৩ মপূং ফানা ফংদুনা পোইন্ট ৫৫ ফংদুনা মঙাশুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙম্নবগী কন্না হোৎনরকপনি।

অহানবা হাফ পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং অনীশুবা হাফকী ময়ায় চনশিল্লকপদা রিএল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী পুশিল্লকখিবা এটেক অমদা বোল অদু গেটাফেগী পেনালটি এরিয়া য়ৌশিল্লক্তুনা টিম অদুগী দিফেন্দরশিংনা ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা কাঙলোনগী ৱাংমদা বোল অদু শীজিন্নরুবগীদমক পেনালটি অমা রিএল মাদ্রিদনা ফংখি। খুদোংচাবা অদু রিএল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী এক্সপরিএন্স লৈরবা শান্নরোয় সর্জিও রামোসনা পাঞ্জল চন্দুনা গেটাফেবু রিএল মাদ্রিদনা ১-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

শান্নবগী লেমহৌবা মিনট ২০ লোমগী মতম অদুদা গেটাফে ইক্বেলাইজর ফংদনা মেচ অদু মায়থীহৌখি। লীগ অসিগী ওইনা মখা তানা শান্নগদবা মেচ মঙা ৱাৎলি। মসিদা রিএল মাদ্রিদনা মেচ অমত্তা মায়থীদ্রবদি টাইটল অসি লৌবগী অচৌবা খুদোংচাবা লৈরি।

ফ্রেন্স ওপনগী টিকেট জুলাই ৯দগী য়োনবা হৌরগনি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৩ (এজেন্সী): মালেমগী টেনিসকী লম্দা চহী খুদিংগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট মরিগী মনুংদা অমা ওইরিবা ফ্রেন্স ওপন গ্রান্দস্লাম টেনিস টুর্নামেন্টকী সেপ্টেম্বর ২১দগীনা ওক্টোবর ১১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী ওইনা ভাবকশিংদা টিকেট য়োনবগী মতম অদু জুলাই ৯দগী হৌরগনি হায়না ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

চহী অসিগী ওইনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা ইংলেন্দদা পাঙথোক্কদবা ৱিম্বলন্দন টেনিস টুর্নামেন্ট তোকখ্রবনি। জন্যুৱারী থাদা অহানবা ওইনা পাঙথোকপা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন গ্রান্দস্লাম টেনিস টুর্নামেন্ট মায় পাক্লবা পাঙথোল্লবা মতুং ৱিম্বলন্দন টেনিস টুর্নামেন্ট পাঙথোক্কনি তৌরম্বনি।

চহী অসিগী অরোইবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ু এস ওপন গ্রান্দস্লাম টেনিস টুর্নামেন্টতি ভাবক য়াওদনা শান্নগনি হায়না তৌরি। অদুবু ফ্রেন্স ওপনগী ওইনদি ভাবকশিং য়েংহন্দুনা টুর্নামেন্ট অদু মায় পাক্না পাঙথোল্লবা তৌরি।

ফ্রেন্স ওপন টেনিসকী ওইনা ষ্টেদিয়মদা লৈরিবা ভাবক্কী কেপাসিটি অদুদগী চাদা ৫০দগীনা ৬০ ফাওবা হন্থরগা মীৎয়েং তাবা ঙমগদৌরিবনি হায়রি। কোভিদ-১৯গী পেন্দেমিক লৈরিঙৈ মনুং অসিদা সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাকপগী থৌরাংসু লৌখৎলি।

ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ২০১৯-২০

মেঞ্চেষ্টর সিটিনা চেম্পিয়ন ওইখ্রবা লিবরপুলবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে

লন্দন, জুলাই ০৩ (এজেন্সী): মালেমগী ওইনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা পাঙথোকপা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইংলেন্দগী প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী কুমজা ২০১৯-২০গী সিজন লোইগদবা মেচ তরুক ৱাংলিঙৈদা মাঙজৌননা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা লিবরপুলবু মেঞ্চেষ্টর সিটিনা ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ৩২শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

লন্দনগী ইতিহাদ ষ্টেদিয়দমা শান্নখিবা ৩২শুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা মেঞ্চেষ্টর সিটি অমসুং লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌবা ঙম্লবা লিবরপুলগা লম্বা তৌনখিবনি।

টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা মতুং লিবরপুলনা মখোয়গী শান্নরোয়শিং অদু খরা শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌদুনা মপাঙ্গল হন্থবগী মওং অমা মেচকী অহানবা হাফতা উখি। মদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা হাফ অদুগী মিনট ৪৫দা পাঞ্জল অহুম চনবা ঙমখি।

শান্নবগী ২৫শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা এটেক অমা পেনালটি ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অদুগী শান্নরোয় কেবিদ দি ব্রুননা পাঞ্জল ওস্থোক্তুনা ১-০দা হেন্দুনা লৈখি। ৩৫শুবা মিনটতা সিটিগী অতোপ্পা শান্নরোয় রহিম ষ্টর্লিননা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদু টিমমেট পি ফোদেননা খাইরকপদগী ওইখিবনি।

শান্নবগী অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ফাজিল্লক্ত্রবা মতমদা অহানবা পাঞ্জল চনখিবা দি ব্রুননা পাস তৌরকপা বোল অমদা পি ফোদেননা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

লিবরপুলগী শান্নরোয়শিং অনীশুবা হাফতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী এটেকশিং অদু নীংথিনা থিংবা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৬৬শুবা মিনটতা সিটিনা মখা তানা চথুরকখিবা এটেক অমদা ঙাকথোকখিগদবা বোল অমা লিবরপুলগী চেম্বর্লিননা মায়কৈ ওন্নবদগী সিটিগী ৪শুবা পাঞ্জল অদু ওইখি।

Pos	Team	Pl	W	D	L	GF	GA	GD	Pt
1	Liverpool	32	28	2	2	70	25	45	86
2	Manchester City	32	21	3	8	81	33	48	66
3	Leicester City	32	16	7	9	60	31	29	55
4	Chelsea	32	16	6	10	57	44	13	54
5	Manchester United	32	14	10	8	51	31	20	52
6	Wolverhampton	32	13	13	6	45	34	11	52
7	Sheffield United	32	12	11	9	33	32	1	47
8	Arsenal	32	11	13	8	47	41	6	46
9	Tottenham Hotspur	32	12	9	11	51	44	7	45
10	Burnley	32	13	6	13	36	45	-9	45
11	Everton	32	12	8	12	40	47	-7	44
12	Crystal Palace	32	11	9	12	28	37	-9	42
13	Newcastle United	32	11	9	12	33	43	-10	42
14	Southampton	32	12	4	16	41	55	-14	40
15	Brighton & Hove Albion	32	7	12	13	34	44	-10	33
16	West Ham United	32	8	6	18	38	56	-18	30
17	Watford	32	6	10	16	29	49	-20	28
18	Aston Villa	32	7	6	19	36	60	-24	27
19	AFC Bournemouth	32	7	6	19	30	54	-24	27
20	Norwich City	32	5	6	21	25	60	-35	21

বোক্সর দিঙ্কু কোভিদ-১৯ নেগেটিভ ওইখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচএনএস): এসিয়ন গেমসতা বোক্সিংগী গোল্ড মেদল ফংদুনা ইন্দিয়াগী অনৌবা পুৰারী শেমখিবা ঙাঙোম দিঙ্কু কোভিদ-১৯ নেগেটিভ ওইরে। দিঙ্কু মশামক লিবর কেন্সর নাদুনা দিল্লিদা চেক-অপ চৎলুরবা মতুং হল্লকপদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকখিবনি। অদুবু থা অমরোম লায়না লাইচৎ অসিগী লায়েং চথুরবা মতুং ঙসি টেষ্ট তৌবদা মহাক লায়না অসিদগী নেগেটিভ ওইরে হায়না রিজল্ট ফংখিবনি।

মে থাগী অরোইবা চয়োলদা কোভিদ-১৯গী টেষ্ট মঙারক তৌবদা পোজিটিভ ওইখ্রবা মতুং থা অমরোম হোস্পিটালদা লৈদুনা লায়েংলবা মতুং মখা তানা টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইরকপদগী মহাক মশাগী ময়ূমদা লাক্কদৌরিবা নুমিৎ ১৪নি ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈগদৌরিবনি।

দিঙ্কু মশামক্না মহাক্কী ময়ূমদগী ফোঙদোরকপদা হৌখিবা থা অসিদা মশাগী কেন্সরগী অনাবা অদুদা নত্তনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদা অৰাবা কয়া মায়োক্লখ্রবা মতুং মহাকপু লায়েংলকখিবা, ডোক্তর, নর্স অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিংনা চেকশিনবীবদগী নেগেটিভ ওইরকপনি। হৌজিক্কী ওইনা চয়োল অনী হোম ক্বারন্টিন তৌরবা মতুং মহাক্কী কেন্সর লায়নাগী চেক-অপকী মতাংদা কোন্না খন্নগনি হায়না ফোঙদেরকখি।

মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসন্নসন্না দিঙ্কুনা নেগেটিভ ওইরকপা অসিদা হকশেলগী মীওই পূম্নমকপু থাগৎপা ফাঙদোরক্লি।

HL-B/6210/1-5

ꯑꯅꯧꯕ ꯄꯣꯠꯂꯝ ꯑꯃ ꯄꯨꯔꯛꯂꯦ
CHILLI LAUNCHES
MRP ~~Rs. 8999/-~~
Discount Rate Rs. 6500/-
“KILLER 100” BLUE RAY MULTIPURPOSE DISINFECTION MACHINE
Warranty 6 Months
☛ য়ুম, মোল, ওফিস, কারনচিংবা কয়াদা সেনিটাইজ তৌবদা শীজিন্নবা য়াই।
☛ মিনট অমদা ২২ স্প্রেয়িং কেপাসিটি লৈ।
"FIVE LITRE SANITIZER WORTH RS 2500 FREE" !!!
AUTHORIZED DISTRIBUTOR: RIDHI SIDHI ASSOCIATES,
THANGAL BAZAR,
NEAR AXIS BANK, IMPHAL,MANIPUR,795001 CONTACT:
7892145418, 7005112705

LOAN AVAILABLE
ONE DAY DELIVERY FOR CLASSIC-350
ꯑꯦꯜ.ꯖꯤ. ꯐꯥꯏꯅꯥꯟꯁ
ꯗꯒꯤ ꯃꯇꯦꯡ
L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,H.Q
OFFICE HOUR:
10.00AM TO 4.00PM
CONTACT No.:- 8731978490/9774495994
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
BRANCHES:- ,SAMUROU NEAR MACHU HALL,,THOUBAL BRANCH AT KHANGABOK KM BLOOMING SCHOOL OPP.,
NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU,KAKCHING IRUM LAMDONG,SEKMAI KOUJENGLEIMA.
HL-B/6202/10june to 7 aug.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com